# মণিপুরগী মেন্স সিনিয়র ফুটবোল টিম্না সন্তোস ট্রোফিদা অফবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমদ্রিবসি আই লীগকী টিম শেম্নখিবদগীনি



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

নেসনল থাক্কী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা, হৌজিক খরা খরা ফরিবা নোথ ইষ্টকী টিম হায়রগদি মেঘলয়া, মিজোরাম, অসাম... মখোয়সি পনবা য়াই। আই লীগকী মতাংসিদসু অসামদি টিম অমত্তা শেমদে। অদুগা আই লীগতা য়াওবা অগরটালাসু আই লীগকী টিম লৈতে। মেঘলয়াসি হান্না লৈরম্লবসু হৌজিক্তী থাক হন্থখ্রে। আই লীগকী ওইনা 'বি' ক্লাসতা লৈখ্রে। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মাইকৈদগীসু 'এ'দা লৈবশিংদি সন্তোস ট্রোফিদা শরুক য়াহন্দ্রে।

অদুবু 'বি'দা হন্থখ্রবশিংদি, সন্তোস ট্রোফিদা য়াওবা য়াহল্লি। মেঘলয়াগী ফুল টিমসি আই লীগতা 'এ'দগী 'বি'দা কুমথখিবদগী মখোয়গী ফুল টিমসি হন্দক পুল্লব লাকখি। অদুনদি মখোয়না কাখ্রিবদু।

অমরোমদা, মণিপুরগী নেরোকা এফ সি অমদি ট্রাউদি আই লীগতা 'এ'দা লৈরিবনিনা সন্তোস ট্রোফিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবসু লৈতে। তশেংনা হায়জরবদা আই লীগনচিংবসিদি সন্তোস ট্রোফিদগী ষ্টেন্দার্দ লৈবা য়াম্না হেল্লি। অদুগা হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসিসু শেল ফঙবা এক্সপোজর য়াম্না লৈবা মফমদা লোইনা শান্ননিংই। অদুনা খিত্তং হেক ফরকপদা অঙাংশিং অসিসু মশা মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা হেক্তা চৎনখি। কনাসু খাম্বা ঙম্বা নত্তে। প্লেয়র হায়বসিদি মতাং চারিঙৈদা খোঙফম শেম্নিংবা ঙাক্তনি। মণিপুরগীদি খরা হেক ফগৎলক্লবা অদুম পায়থোকখ্রদৌনি। অদুনা হৌজিক্তী ষ্টেটকী টিম শেম্বদসু অৱাবা অমা ওইরে। অঙাংশিংদু ঐখোয়না ফাজিল্লুবা ঙম্বসু নত্তে। অদুমকপু হৌজিকসু মণিপুরদা ফুটবোল মশান্নবু নুংশিজবা থৱায়





য়াওবা ক্লব ময়াম অমা লৈরি। ফুটবোলসি অমুক্তংদি ফগৎহনসি হায়দুনা ফুটবোল পামজবা কাংবু অমনা কন্না হোৎনবীরি।

চহী অনী লেপ্লুরবা ষ্টেট লীগসু হৌজিক হৌননবা থৌরাং তৌবা পুল্লোই লোইরে। প্লেয়র হায়বসিদি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

টুর্নামেন্ট তোইনা শান্নরিমখৈ হেন্নসু ফগৎলক্কদৌরিবনি। ষ্টেট লীগ তৌরবদি মদুগী খঙ্গৎলকপা অফবা প্লেয়রশিংদু লোঙ টার্ম প্লান তৌরগা ফজনা শেন্বীরবদি ষ্টেটকী টিম শেম্বদসু হেন্না লায়না থোক্কনি খঞ্জে। মীগী প্লেয়রনা ঐখোয়গী অঙাংশিংদগী করিসু হেনবা নত্তে। স্কিল, ষ্ট্রেঙ্ক, ষ্টিমিনা ঐখোয়গী অঙাংশিংদসু চপ চানা লোইনা লৈ। শেম্বা থোক্কদবা অঙাং ময়াম অমা ঐখোয়গীসু ৱাৎতনা লৈরি। ঐখোয়গীসু অফবা টিম শোইদনা শেম্বা য়াগনি। তৌবতদি ঐখোয় অমগা অমগা থোং মান্ননা চঙশিনমীন্নবদি চঙই। ষ্টেট লীগপু ওইরো, এন্নি টুর্নামেন্ট অমা তৌবা মতমদা শেলগী মথৌ ঙাক্তনি। শান্নরোয় শেম্বা হায়বসিসু শেল য়াম্না চঙবা থবক্লি। শেল মতিক চানা থাদদ্রবদি অফবা প্রদক্সন পুথোরকপা ঙম্লোই।

অদুগা হৌজিক মতমদা প্লেয়র শেম্নরিবা মওংসিসু ঐখোয়না নাথৈদুনা চৎপা য়ারোই। ক্লবশিংসু মমিৎ-মনা শীংবা মতমগী ইহুল খঙবা মী খরা তঙাইফদনা লৈতবা য়াদ্রে। কম্প্যুটর নোলেজ নীংথিনা খঙবা মীওইশিংসু ক্লবশিংদা মথৌ তারে। শান্নরোয়গী মরমদা ঈ-পাউ ফাওননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা মতম মতমগী ওইবা ৱাফম লীঙ্ক তৌননবা, লোইনমক ফিট তৌনবা অমসু হৌজিক্তী তঙাইফদ্রে। মতম অমগী চৎনবীদা ক্লব অমগী সেক্রেটরী অমগা প্রসিদেন্ট অমগা লৈরগা লোইনমক ইশুপ শুপ্না য়ারম্বদু হৌজিক লাক্লিবা ট্রেন্দসিদদি ফনা য়াম্না অহোংবা লৈরকখ্রে। টিমশিংনা শান্নরিবা প্লে ফাওবা ভিদিও রেকোর্দিং নীংথিনা তৌননবা, মী-ফাওবা হাপ্নরে। মাগী মাগী প্লেয়রশিংনা পীখিবা পর্ফোর্মেন্সশিংদু প্লে লোইরবা মতুংদা কনানা করম করম্বা খুৎশান্না শান্নখিবগে হায়বদু হৌজিক্তি ভিদিও এনালাইসিস তৌদুনা অশোয় অঙাম পুন্নমক্তু পুথোক্তুনা নৈনরে। মতম অমদা শান্নরম্বা খুৎশান্নগা হৌজিক্কা খরসু খেন্নরে। ... মথং মথং ...





# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্কা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরন লিয়ুঝৌ ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিসকী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

লিয়ুঝৌ, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):

চাইনাগী সিটি লিয়ুঝৌদা থা অসিগী২১দগী হৌরকখিবা লিয়ুঝৌ ওপন এ টি পি চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরন ৩ শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৮২দা লৈরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা গুনেশ্বরননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দ মেচ অদুদা কলম্বীয়াগী শান্নরোয় এন বরিয়নতোবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-১দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।



মেচ অদুগী হৌরকপদা অহানবা সেটকী সার্ভিস তৌনরকপদা ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরননা য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী অমদি বরিয়নতোসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২দা থোইরগা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা কলম্বীয়াগী শান্নরোয় এন বরিয়নটোসনা মহাক্কী মশান্না অদুদা অহেনবা শাফু পীবা ঙমদবদগী ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরননা অমুক্কসু সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-১দা থোইরগা অহুম শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী টি আই ৱুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী ভি বর্ধননা জ পানগী টি মাটস্বিইগা পেয়র ওইরগা শান্নরকপদা ফ্রান্সকী পেয়র এস দুস্বিয়া অমসুং এফ রেবোবু ৬-৩, ৭-৬ (৮-৬)তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# মণিপুর মচা ৩ য়াওবা এফ সি গোৱানা চেন্নাইন এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা হৌরকপদা ফজবা ঙমখ্রে









ফটোর্দা, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):

হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬লক এদিসনগী ঙসি গোৱা সিটি ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা মেচতা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৩ য়াওরিবা য়ুম্লু ক্লব এফ সি গোৱানা লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চেন্নাইন এফ সি বু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা হৌরকপদা ফজবা ঙমখ্রে।

এফ সি গোৱাদা মণিপুরগী হৌখিবা শান্নরোয় টেলেম জে কিচান্দ, গোল কিপ্পর মহমদ নৱাজ অমসুং ঙসিগী মেচ অদুদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সৈমিনলেন দোঙ্গেল শরুক য়াখি। হায়রিবা টিম অদুদা বেঞ্চতা কোন্সম চিংলেনসনাসু লৈখি।

এফ সি গোৱানা ঙসি লম্বা তৌনখিবা হিরো আই এস এলগী



টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চেন্নাই এফ সিদসু মণিপুরগী হৌখিবা শান্নরোয় ২ য়াওরি। মখোয় অনী অদুদি খাঙেন্বম থোই অমসুং ঙাশেম্পম দোনদোম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২০ রোমদি নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিং লেং মান্নদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফঙনখিদে। মেচকী পুংখাই ফাগদবা মিনট ১ ৱাৎলিঙৈদা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী মনবির সিংহনা চেন্নাইন এফ সিগী দিফেন্দর অনী লাম্থোক্তুনা পুশিল্লক্লগা খাইরকখিবা বোল অদু টিমমেট সৈমিনলেন দোঙ্গেলনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদু মখা তাবা পাঞ্জল লৈতনা এফ সি গোৱানা ১-০দা হেল্লগা অনীশুবা হাফ অদু শান্নবা হৌরকখি। হাফ অদুগী ৬২শুবা মিনটতা এফ সি গোৱাগী জেকিচান্দনা য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অমদা টিমমেট কোরোমিনাসতা পীরকপদা পাঞ্জল ওনথোকপা ঙমখি। মেচ লোইগদবা মিনট ৯দা ঙাইরবা মতমদা এফ সি গোৱাগী পেনানা পাঞ্জল হাপচিন্দুনা চেন্নাইয়নবু ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Goa | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 0 | +3 | 3 |
| 2 | Kerala Blasters | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Jamshedpur | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 4 | Bengaluru | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 5 | NorthEast United | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | Hyderabad | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 7 | Mumbai City | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 8 | Odisha | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 9 | ATK | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | −1 | 0 |
| 10 | Chennaiyin | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 3 | -3 | 0 |

# শান্নরোয় অমা ওইবতা নত্তনা কেপ্টেন ওইরম্লবা সৌরব গঙ্গুলিনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইরগনি

মুম্বাই, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী মমাঙদা শান্নরোয় অমা ওইবতা নত্তনা কেপ্টেন ফাওবা ওইরম্লবা সৌরব গঙ্গুলিনা ঙসি লৈবাক অসিগী বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)গী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখ্রে।

বি সি সি আইগী কম্মিতি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটস (সি ও এ)কী থৌদাং থা ৩৩ হেন্না থবক পুরক্লবা মশাগী চহী ৪৭ শুরবা সৌরব গঙ্গুলিনা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা অয়েৎপা য়াওদনা মায় পাক্তুনা বোর্দ অসিগী ৩৯লকশুবা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুগদৌরিবনি।

ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা বি সি সি আইগী জেনরেল বোদি মীফম অদুদা সি ও এগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বোর্দ অদুগী ইলেক্টোরেল ওফিসার এন গোপালস্বামিনা য়েৎনবা য়াওদনা সৌরব গঙ্গুলিবু বি সি সি আইগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি।

সি ও এগী মেম্বর অমা ওইরিবা



দাইনা ইদুলজিনা মীফম অদুগী মাংওইননা ফোঙদোকখিবদা ক্রিকেট শান্নরোয় অমা ওইরম্বা সৌরব গঙ্গুলিনা লুচিংবা বি সি সি আইগী বোর্দ অসিনা লুচিংলবদি হান্না লৈরম্বা অহোবা মফম কয়া মেনশিনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

সৌরব গঙ্গুলিনা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্টগী থৌ পুরবা মতুং সেক্রেটরীগী ফমদা জে সাহনা বোর্দ অসিগী মতেং পাঙগদৌরি। লোয়ননা আর্জুন সিংহ ধুমালনা ট্রেজররগী ফম পায়গদৌরি। সৌরব গঙ্গুলিনা নৌনা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্টকী ফম অসি পায়রক্লবা মতুং থা ১০গী মতুংদা বোর্দ অসিগী ওইনা লৈরিবা মেন্দেটরিগী পাঙ্গল অমসু য়েন্নগদৌরি।

নৌনা খল্লবা বি সি সি আইগী কম্মিতি অসিনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা চহীগী ওইবা মীফম অমা নুমিৎ ২১নিগী নোটিস অমা পীরগা পাঙথোক্কদৌরি।

# ইন্দিয়াগী মোহন বগান ফুটবোল ক্লবনা মালদিপ্সকী টি সি স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে





চিতাগোং, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):

বংলাদেশনা য়ুম্লু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি চিতাগোংদা লৈবা এম এ অজিস ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯দগী হৌখিবা ৩লক শুবা সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি গ্রুপ 'এ'গী শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দ মেচ অমদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব মোহন বগান ফুটবোল ক্লবনা মালদিপ্সকী টি সি স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী গ্রুপ 'এ'গী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা মোহন বগান ফুটবোল ক্লব লাউস লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লব য়ং ইলিফেন্ট এফ সিগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং ঙসি



বংলাদেশকী সিটি চিতাগোংদা লৈবা এম এ অজিস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'এ'গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা মোহন বগান ফুটবোল ক্লবনা মালদিপসকী ফুটবোল ক্লব টি সি স্পোর্টসকা শান্নরকপদা খুদুম চনবা ঙমদুনা ২-০দা থোইখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মোহন বগাননা ঙন্না চথুরকখিবা এটেক অমদা মালদিপ্সকী টি সি স্পোর্টস ক্লবকী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখাইদুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা মোহন বগানগী শান্নরোয় ত্রিনিদার্দ এন্দ টোবেগো মচা দেনিয়ল সাইরসনা মেচকী ৪শুবা মিনটতা মালদিপ্সকী ফুটবোল ক্লব টি সিগী গোল কিপ্পরবু মায়থীবা পীদুনা মেচ অদুগী একাউন্ট ঙন্না হাংদোকপা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈরবা ইন্দিয়াগী ক্লব মোহন বগাননা মালদিপ্সকী টি সি স্পোর্টসকী মায়কৈদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদনা মালদিপ্সকী ক্লব অদুগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কান্না দিফেন্স তৌদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমা শোত্থরবা মালদিপ্সকী ফুটবোল ক্লব টি স্পোর্টসকী মায়কৈদগী অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মোহন বগানগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নবা হোৎনখিবশিং অদু কান্নবা ফঙখিদে। কাউন্টর এটেক অমদা মোহন বগানগী টিমদা শরুক য়ারিবা স্পেন মচা সমারোনা ৬৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা মেচ অদু ২-০দা তোইখি।

# চিরাগ সেথি অমসুং রানকিরেদি অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে স্রিকান্ত, বর্ম্ম অমসুং কস্যপ অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে

পেরিস, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী বেদমিন্টন শান্নরোয় চিরাগ সেথি অমসুং এস রানকিরেদি ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী পরুপলি কস্যপ, কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সৌরব বর্ম্ম মায়থীহৌরে।

নুপাগী দবসলকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদি অমসুং চিরাক সেথিগী পেয়র ঙসি নেদর্লেন্দসকী পেয়র জে মাস অমসুং আর টাবেলিংবু ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-১৬, ২১-১৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অতোপ্পা নুপাগী দবলসকী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি এস রেদি ইংলেন্দগী পেয়র বি লানে অমদি এস বেন্দিগী মখুৎতা ১৯-২১, ২২-২০, ১৫-২১দা অহানবা রাউন্দ মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস





কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত অহানবা রাউন্দদা অকনবা অকনবা লম্বা অমা থেংনরম্লগা চাইনিজ টাইপৈগী চৌ তিয়েন চেনগী মখুৎতা ২১-১৫, ৭-২১, ১৪-২১দা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস রাউন্দ মেচ অমদা ইন্দিয়াগী পরুপলি কস্যপ হোং কোংগী ঙা কা লোঙ্গসকী মখুৎতা য়াম্না শোন্না ১১-২১, ৯-২১দা মায়থীহৌখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম্মনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেচ অমদা জপানগী কে নিসিমোটোগা শান্নবদা য়াম্না লম্বা মান্নবা মেচ অমদা ২২-২০, ১৮-২১, ১৮-২১দা মায়থঈদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী রানকিরেদি অমসুং পোনাপা সাউথ কোরিয়গী পেয়রগী মখুৎতা অহানবা রাউন্দ লৈহৌখি।